# মীৎ থক্লবা থৌরমদা ইন্দিয়াগী ৭০শুবা রিপব্লিক দে পাঙথোকখ্রে

## পুলিস ওফিসার ৮৫৯দা গেলেন্ট্রি এৱার্দ, অঙাং ২৬তা বাল পুরস্কার পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৬ঃ***

ঙসি লৈবাক অসিগী কোনূং ন্যু দিল্লিদা ৭০শুবা রিপব্লি দে থৌরম মখল মথেলগী মীৎ থক্লবা থৌরমশিং, লোয়ননা ইন্দিয়াগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎপগা লোয়ননা পাংথোকখ্রে।



*রিপব্লিক দে থৌরমদা ন্যু দিল্লিগী পাকচাওরবা রাজপথদা উৎলিবা ইন্দিয়া মশানা শাজবা সব-সোনিক ক্রুজ মিসাইল 'নিরভয়'*

সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সায়রিন রমাফোসানা চহি অসিগী রিপব্লিক দে থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইরি লোয়ননা মালেমগী লৈবাক কয়াগী লূচীংবশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়ারি।

নেভি, আর্মি সার্ভিসেস কোর অমসুং সিগনেল কোরগী য়ুনিটশিংগী কন্টিজেন্টসশিংনা নিংথিজরবা মার্চ-পাস চৎখি। রাজপথদা সুপ্নগী নুপী ওফিসার অমনা মতোমতখক্কী বাইক ষ্টন্টশিং উৎখি। এম ৭৭৭ অমেরিকান অল্ট্রা লাইট হোৱিটজরশিং, মেন বেটল টেঙ্ক টি-৯০ নচিংবা উৎখি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়ানা মশানা শাজবা অকাস ৱিপন সিষ্টেমসু ঙসিগী থৌরম অদুদা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরীলৈননা মথৌ পাংথোকপদা থোইদোক হেন্দোকপা মথৌনাগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক পূন্সি কথোকখিবগীদমক মশা লৈখিদ্রবা তূংদা সি আর পি এফকী কনষ্টেবল ৩- মুহমদ য়াসিন, বোরাসে দিনেস দিপক, অমসুং জসৱন্ট সিংহদা প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি পীখ্রে। মসি য়াওনা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি, প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিংগুইস সার্ভিস অমসুং পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসসু তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী পাসোনেল ৮৫৫দা পীখি।

মসিগী মথক্তা পার্সোনেল ৮৬তা ফয়ার সার্ভিস মেদলশিং অমসুং পার্সোনেল ৫৮দা হেম গার্দ এন্দ সিভিল দিফেন্স মেদলশিং পীখি।

# য়ু এসনা লূচীংবা কোলিসন্না সিরিয়াদা আই এসনা পায়রিবা মফমদা

## মিসাইল এটেক চত্থবদা মরান লৈতবা মীচম ১৩ শিখ্রে

***বৈরুদ, জনুৱারী ২৬ঃ***

নোংপোক থঙবা সিরিয়াদা অরোইবা ওইনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা পায়দুনা লৈরিবা মফমশিংদা য়ু এসনা লূচীংবা কোলিসন্না মীসাইল এটেকশিং চত্থবদা মরাল লৈতবা মীওই ১৩ য়াওনা পূন্না মীওই ৪২ শিখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।



সিরয়াগী নোংপোক থঙবা প্রোভিন্স দেইর ইজোরগী অপীকপা খূন মচাশিংদগী ইরোই লোইবা ওইনা লৈহৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী জিহাদিসশিংবু তাহোক্লবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা য়ু এস কোলিসনদগী শৌগৎপগা লোয়ননা লান্থেংনরি।

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অথেঙবদা সোর্থ রেঞ্জ মিসাইলশিংনা বাঘৌজ খূঙ্গংগী মনাক্তা লৈবা ফার্মলেন্দগী য়ূমশিংদা কাপশিনবদা মরাল লৈতবা মীচম ১৩ য়াওনা মীওই ৪২ শিখ্রে হায়না বৃটেনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখ্রে।

শিখিবশিং অদুগী মনূংদা ইমূং অমত্তগী অঙাং ৩ অমসুং লানগা মরী লৈনদবা ইরাক্কী ৬ য়াওরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ হঙনবা হোৎনবদা খুদক্তা কোলিসন অদু ফঙবা ঙমখিদে, অদুবু মখোয় মহৌশাদগী হৌনা মীচমশিংদা শোক্তনবা য়ান্না কন্না হোৎনৈ হায়দুনা লাকখি।

সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্স (এস দি এফ)না সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনা নোংপোক থঙবা প্রোভিন্স অদুদা য়ুফ্রেটিস তুরেনগী নোংপোক থঙবা তোৱর্বানদা লৈবা আই এসকী অরোইবা লমশিং অদুদগী মখোয়বু তাহোক্লবা লানথেঙনরক্লি।

এস দি এফনা মরুওইবা খূঙ্গংশিং মথঙ মথঙ লৌশিন্দুনা চয়োল খরসিদা খূমাং চাওশিনখি অমসুং আই এসনা মদুগী লম্মন খুন্নবা হোৎনরি। ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা এস দি এফকী মখূৎতগী বাঘৌজবু অমুক হন্না লৌশিন্নবা খূৎ হনবগী এটেক অমদা মায়থিখি। এটেক অদুদা নাকন অনীমক্তা লান্থেঙনবা মীওই ৫০ শিখি।

# ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফ্লাইপাষ্টনা মীয়ামবু ঙকহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৬ঃ***

ঙসি থাংজ নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ৭০শুবা রিপব্লিক দে পেরেদতা নিংথিজরবা রাজপথকী মথক্তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী প্লেনশিংনা ধমকাগা লোয়ননা ঙংদুনা পায়রকখিবদা হৌরবা খোঞ্জেল অদু তাবদা থৌরম শরুক য়ারিবা মীওই লিশিং কয়া অদুনা ঙৈহাক্তং তুমিন-তুমিন লৈনরুরগা মমীৎশিং অদু অতিয়াদা ওনখৎতুনা য়েংখৎনখি। অদুবু চহিগী রিপব্লিক দে থৌরমদা য়েঙগদৌবগী খ্বাইদগী হেন্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা ফ্লায়পাষ্ট অদু হৌরে হায়বগী খুদম ওইনা হেলিকোপ্টর ৪না জাতিগী ফিরান পুদুনা পায়রকখিবদা তুমিন্না লৈনরম্বা মীয়াম অদু খুবাক খুদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরকখি।

এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর (এ এল ঐচ) ৩না রুদ্রা ফোর্মেসনদা ইন্দিয়া গেট ফাওদুনা পাইখি। এ এল ঐচ হেলিকোপ্টর ২গী ধ্রুব ফোর্মেসন অমসুং রুদ্র কৌবা হেলিকোপ্টর ২না দাইমন ফোর্মেসন্দা পায়খি।

# নেস্নেল এৱার্দ পীখ্রবা অঙাংশিং রিপব্লিক দে পেরেদতা শরুক য়াদুনা মীয়ামদা নোলূকপা উৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৬ঃ***

প্রধান মন্ত্রি রষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার পীখ্রবা তোমথিন ঙাল্লবা অঙাংশিংনা ঙসি রিপব্লিক দে পেরদতা রাজপথ ফাওদুনা চৎপদা মখোয়না মখূৎ লোন্নদুনা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা খুরুম্বগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদা নোলূকপা উৎখ্রে।



প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নেস্নেল এৱাদশিং পীখ্রবা অঙাশিং অদুনা মথক কুপ্তবা জীপতা লেপ্লদুনা ৭০শুবা রিপব্লিক দে পাংথোক্লিবা তিল্লিবা মীয়মাদা নুঙাইবা ৱাখলগা লোয়ননা মখূৎ হায়খি।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মেদিনসু অঙাংশিং অদুদা খূৎ হায়দুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

অঙং নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা ইনোভেসন স্কোলারিষ্টিক, স্পোর্টস, আর্ট অমসুং কলচর, সোসিয়েল সাভিস অমসুং ভ্রেবরিদা বাল শক্তি পুরুস্কার পীখি অমসুং চাইল ৱেলফিয়ারগী হীরমদা লন্নাই মীওইশিং অমসুং ইনষ্টিট্যুসনশিংদা বাল কল্যান পুরুস্কার পীখি। বাল শক্তি পুরুস্কার অমসুং বাল কলিয়ান পুরুস্কার হায়না কেতিগোরি ২ খাইদোকপা প্রধান মন্ত্রি রস্ত্রিয়া বাল পুরুস্কার অসি পূন্না অঙাং ২৬তা পীখি।

খ্বাইদগী অঙাং ওইরিবী এৱাদি অদু মশাগী চহি ৭ খক্তা ঙাইরিবী ঐহা দিক্সিতনা ওইখ্রে।

বাল শক্তি পুরুস্কার এৱার্দ ফঙখিবশিংগী মনূংদা ইনোভেসনগী হীরমদা মুহমদ সুহাসল চিনেয়া সলিমপশাহ, অরুনিমা সেন, অসৱাদ সুরজনরয়ন সেন, নাইসারগীক লেনকা, এ য়ু নাচিকেন্দ কুমার অমসুং মধব লভাকর নচীংবা য়াওরি।

সোসিয়েল সার্ভিসকী হীরমদা অরজমান লাকোতিয়া, প্রথিয়কসা বিয়া অমসুং ঐহা দিক্সিত য়াওরি।

স্কোলারিষ্টিককীদা অয়ুসমান ট্রিপাথি, মেঘা বোস অমসুং নিসান ধনখরদা পীখি।

আর্ত এন্দ কলচরগী এৱার্দশিং অদু রাম এম, দেবা দুসেন্তা কুমার জোসি, বিনায়ক্কা এম, অরজমান অগরৱাল অমসুং ট্রুপতরাজ অতুল পন্দিয়ানা ফংখি। সিবাঙ্গী পাথক, ইসো, প্রয়ম তাতেদ অনিস অমসুং বিজয় দিওকুলেদা স্পোর্টসকী এৱার্দ পীখি।

ৱেভরি এৱার্দশিং ফঙখিবশিংদি কারতিক কুমার গোয়াল, অদ্রিকা গোয়াল অমসুং নিখিল দয়ানন্দা জিতুরিনি।

# চিনাদা মথোল ৩০গী বিল্ডিংদা পোকখায়বদা ১শিখ্রে

***বৈজিং, জনুৱারী ২৬ঃ***

অৱাং নোংপোক থঙবা চিনাদা মথোল ৩০গী কোন্দোমিনিয়ম-কম-সোপ্পিং মোল অমদা পোকখাইবা অমগী মথঙদা পোকখাইবা অমা, মথঙ-মথঙ পোকখাইরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমা শোকখ্রে।



ইহান হানবা ওইনা পোকখাইবা অদু মফম অদুগী মতমদা নুংথিল পূং ৩.১৩ তাবদা থোকখিবনি। ৱান্দা সোপ্পিং প্লাজা বিল্ডিং অদুগী বেজমেন্টতা কার অমা পোকখাইরে হায়বা টেলিফোন কোল অমা জিলিন প্রেভিন্সকী কোনূং চাংচুৱান সিটিগী ফয়ার ব্রিগেদনা ফঙখি হায়না হোং কোংদা ফোঙবা সাউথ চিনা মোর্নিং পোষ্টতা হায়খি।

অহানবা পোকখাইবা অদুগী মিনিট ৩গী মতূংদা বিল্ডিং অদুগী ৩০ শুবা মথোলদসু পোকখাইরকখি অমসুং থোঙনাও মিংশেলশিং খাইখি।

পোকখাইরকখিবশিং অদুগী মরম শেঙনা খঙদ্রি অদুবু সিটি ওথোরিটিজনদি মদু ক্রিমিনেলগী থৌদোক অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। সিটি ওথোরিটিজনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১ শিরে অমসুং মীওই ১ শোক্লে হায়না চপ চানা ফোঙদোক্লকখ্রে।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোকপদা মখোয়না ২০ হেন্না পোকখাইবগী মথোল তাখি অমসুং ৱান্দা প্লজা অদুগী অকোয়বদা লৈবা বিল্ডিংশিংদগী মীওইশিংসু পাখূৎতুনা চেন্থোক্লরকখি।

সোপ্পিং মোল অদুনা পব্লিক এদ্রেস সিষ্টেমদা খুদক্তা চেন্থোকখিনবা মীয়ামদা খঙহল্লকখি অমসুং ঐখোয়দি থৱাই হীংনবা চেল্লে হায়খি হায়না শাগেগী মমীং ঝাং হায়নখক মশক তাকপা ৱিটনেস অমনা হায়খি।

# ব্রাজিল দাম নীংখাইবদা মী ৩০০ থিবা খঙদ্রি, হকচাং ৯ ফংলে

***ব্রুমাদিনহো, জনুৱারী ২৬ঃ***

ব্রাজিলগী মিনাস গেরিয়াজ ষ্টেটকী বেল্লো হোরিজোনটো সিটিগা নক্লবদা লৈবা আইরন-ওর মাইন অমদা শিজিন্নদ্রবা দাম অমা নিংখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে। অদুবু মীওই ৩০০ লোম হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

ঙসি থাংজ নুমিৎকী অঙনবা ফাওবদা খুদোঙ থিবা থৌদোক অদুদা শিবা মশীং ৯ য়ৌরে অমসুং মীওই ৩০০ লোম থিবা খঙদ্রি হায়খি। মীওই ৯ অদুগী হকচাং ফংলে।

দাম নিংখাইবা মতম অদুদা ভেল্লে মাইন হায়বা অদুদা মীওই ৪২৭ থবক শুখি। মদুগী মনূংদা ২৭৯ হিংনা রিকোভর তৌরে। লেমহৌরিবা অতৈ মীওইশিং অদু থিবা খঙদ্রি হায়না ষ্টেট অসিগী গভর্ণর রোমিয়ু জেমানা হায়খি।


**No.6/57/2018-DIR (MAHUD) Pt.**
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE: MAHUD DEPARTMENT, MANIPUR.**
---
**ADVERTISEMENT**
**Imphal, the 17th January, 2019**

In pursuance of Government letter No 7/14/2016-MAHUD (Pt) dated 29.09.2018 and letter No. 7/14/2016/MAHUD (Pt-I) dated 31.12.2018 of Secretariat: MAHUD Department, Government of Manipur, applications are invited for selection of candidates for direct recruitment to the following posts of urban local bodies of Manipur:

1. **Details of vacancies:** the vacant post are ULB Specific thereof;

**A) Imphal Municipal Corporation**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Assistant Engineer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Section Officer Grade-I (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Section Officer Grade-I (Mechanical) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Draftsman Grade-II | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 1 | | 0 | 2 |
| 6 | Assistant Revenue Inspector | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 7 | Jamadar | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 8 | Peon | 0 | 0 | 6 | 1 | 0 | 7 |

**B) Thoubal Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Chowkidar cum Sweeper | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**C) Kakching Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Section Officer (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Revenue Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | LDC | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Peon | 3 | 0 | 1 | 0 | 0 | 4 |

**D) Lilong (Thoubal) Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Revenue Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 4 | Sanitary Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 5 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | LDC | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |
| 7 | Peon | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |
| 8 | Driver | 2 | 0 | 1 | 0 | 0 | 3 |

**E) Mayang Imphal Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Peon | 0 | 0 | 1 | 0 | 0 | 1 |

**F) Nambol Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |

**G) Moirang Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Driver | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**H) Bishnupur Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**I) Kakching Khunou Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Computer operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | LDC | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Peon | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**J) Yairipok Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**K) Kumbi Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**L) Wangoi Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**M) Kwakta Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**N) Wangjing Lamding Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**O) Sikhong Sekmai Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**P) Sugnu Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Chowkidar cum Sweeper | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**Q) Lamlai Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**R) Samurou NP**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | LDC | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Peon | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |